# ব্রাজিলদা পাঙথোক্লিবা ব্রিক্স সমেলনদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পাকিস্তানগী লৌনম নমথাক খঙহনখ্রে





ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৭ (এজেন্সি) : ব্রাজিলদা পাঙথোক্লিবা ব্রিক্স সমেলনদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পাকিস্তান্না হৌখিবা চহী কয়াগী মমাঙদগী টেরোরিষ্টবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নদুনা চত্থরকখিবা থৌওং মালেম শীনবা থুংনা খঙহন্নবা হোৎনখ্রে হায়রি।

সমেলন অসিদা শরুক য়ারিবা অমেরিকা, জপান অমদি ওষ্ট্রেলিয়ানচিংবা লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংদা হন্দক পাকিস্তান্না টেরোরিষ্ট শীজিন্নদুনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পহলগামদা লম কোইবা লাকচবা মীওই ২৬ কাপ্পুনা হাৎখিবা থৌওং মীওইবা খুন্নাইদা পীরকপা অচৌবা শীংনবা অমনি। মরম অদুনা পাকিস্তান্না লৌনম নমথাক তৌদুনা টেরোরিষ্টপু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরিবসি পুন্না খঙমিন্নবা চংই হায়বনচিংবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ব্রিক্সতা য়াওমিন্নরিবা লৈবাকশিংনা টেরোরিষ্ট থেংনমিন্ননবা আপিল তৌখ্রে হায়রি।

নাকল অমরোমদা, টিবেটিয়ানশিংগী ধর্ম্মগী লুচিংবা দলাই লমাগী চহী ৯০ শুরকপগী মপোক কুমওনগী থৌরমদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়াইফ পাউজেল পীখ্রে। অদুবু চাইনানা হন্দক দলাই লমানা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমবু য়ানিংদবা ফোঙদোরকখ্রে। দলাই লমাগী মথং মপোক চাইনাগী অয়াবা য়াওদনা পোকপা য়ারোই হায়বা ফাওবা অকি অখং পীরকখ্রবনি।

পনবা য়াবদি টিবত হায়রিবা লৈবাক অসি চাইনানা মপুং ফানা কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। মরম অদুনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু হুমদুনা পুনবা হোৎনরকখিবনি হায়নসু মখা তারি।

## এ আই এম আই এমগী চীফ অসদুদ্দিন ও বি সিনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কিরেন রিজেজু লাকহৎনবা হোৎনখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৭ (এজেন্সি) : য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কিরেন রিজেজুনা মাইনোরিটিশিংগী মতাংদা ঙাংখিবা ৱাফম অমগী চপ চাবা পাউখুম পীরদুনা এ আই এম আই এমগী চীফ অমসু ওইরিবা লুচিংবা অসদুদ্দিন ও বি সিনা কিরেন রিজেজুবু লাকহৎনবা হোৎনখ্রে হায়রি।

মিনিষ্টর ওইবা হায়বসি নিংথৌ অমা নত্তে, কন্সটিট্যুসনগী পোষ্ট অসিসু নিংথৌগী আসন অমগুন্না লৌবদি লানগনি হায়রদুনা তৌনিং তৌনিংবদা তৌরকপনা লৈবাক অসিগী ইং তপ্পদা চাউনা অকায়বা লাক্কনি। লোয়ননা হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াদা পুন্না লৈমিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মরক্তা খৎন-চৈননবা ৱা ঙাংবা হায়বসি লুচিংবা অমগী মগুন নত্তে হায়নসু ইকায়বা পীখি হায়রি।

## ব্রিক্সতা নৌনা য়াওরকপা লৈবাকশিং তেরিফ থমগনি ঃ দোনাল্ড ট্রম্প

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৭ (এজেন্সি) : হৌজিক হৌজিক ব্রাজিলদা পাঙথোক্লিবা ব্রিক্সকী সমেলনদা মীৎয়েং থল্লিবা অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ব্রিক্সতা য়াওরকপা অনৌবা লৈবাকশিংদা চাদা ১০ তেরিফ থল্লগনি হায়না লাউথোরকখ্রে।

পনবা য়াবদি অমেরিকা হায়রিবা লৈবাক অসিসু ব্রিক্সকী মনুং চন্না য়াওরিবা লৈবাক অমনি। নাটো হায়রিবা ওর্গনাইজেসন অসিদসু অমেরিকা য়াওরি। অদুবু নাটোদগীসু দোনাল্ড ট্রম্পনা প্রসিদেন্ট হেক ওইরকখিবগা নাটোদগী তপ্না তপ্না লাপথোকপসু হৌরকখিবনি হায়না রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

# নাগালেন্দগী ঈশিং ঈচাওদা ৩ শিরে, ষ্টেটসিদা পাইবা ফ্লাইটশিং সস্পেন্দ তৌখ্রে



কোহিমা, জুলাই ০৭ (এজেন্সি) :

নাগালেন্দদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং কন্না চুবনা মরম ওইদুনা ঈশিং ঈচাও থোকপদগী মীওই ৩ লৈখিদ্রে। নাগালেন্দদা পাইবা ফ্লাইট পুন্নমক সস্পেন্দ তৌখ্রে। লোয়ননা নেসনেল হায়ৱে ২৯দা গারী চখোক চৎশিন তৌবদা চাউনা অপনবা থোকখ্রে।

লৈখিদ্রবা মীওই ৩ অদুগী মনুংদা নুপী ১ য়াওরি। মহাক দিমাপুরদা লৈবা মশাগী য়ূমদা ঈশিং চেনশিল্লকপদা ইলেক্ট্রিক করেন্ট লৈরমদুনা চিংবদগী শিখিবনি। মফম অদুদা মীয়াম্না ঈশিং থবাক য়ৌনা লুনা চেনশিল্লকপা মীয়াম্না উন্নখি।

হৌখিবা নুমিৎ নীনি অসিদা চুখিবা অকনবা নোংনা মরম ওইদুনা লন-থুম কয়া, মহৈ মরোং অমদি য়ুম-কৈ কয়া মাঙ তাকহনখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিত্তা অকনবা নোংনা মরম ওইদুনা দিমাপুর এয়রপোর্টকী রনৱেদা ঈশিং থুমজিল্লকপদগী এয়রপোর্ট অসিদা পাইথোক পাইশিন তৌবা ফ্লাইট খূদিংমক লেপখ্রে হায়না এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী ওফিসিয়েল অমনা হায়রি।

ইন্দিগো অমসুং এয়র ইন্দিয়া এক্সপ্রেস য়াওনা ফ্লাইট কয়া কেন্সেল তৌখিবগা লোয়ননা ফ্লাইটশিং অদুদা পাইগদবা পেসেঞ্জরশিংনা খ্বায়দগী নৌবা পাউ মরী লৈনবা এয়রলাইন্সতগী লৌননবা খঙহনখ্রে।

অকনবা নোংনা মরম ওইদুনা চীং নীংখায়বদগী দিমাপুর অমসুং কোহিমা শন্নরিবা নেসনেল হায়ৱে ২৯দা গারী চখোক চৎশিনদা চাউনা অকায়বা থোকখ্রে। দিমাপুরগী হাফনগারজনদা ফুট ৩ হেন্না ৱাংনা ঈশিং চাউখৎলকপদগী মফম অদুগী মীওইশিং অদু হি অমসুং ঈরোইদুনা হেন্না শাফগদবা মফমদা চেন্থোক্লরকখি। দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিনা মফম অদুদগী মীওই ৫২ কনবা ঙমখ্রে। মখা তানা মী হোতে দাকপগী থবক চত্থরি।

দিমাপুরগী দিপ্যুটি কম্মিস্নর ডা টিনোজোংসি চাংনা পাউগী এজেন্সি অমদা ফোঙদোকখিবদি হৌখিবা অহিংদগী নোং চুবা লেপখিবনা মরম ওইদুনা ঈশিংগী লৈমায় তপ্না তপ্না হন্থরক্লি। অদুম ওইনমক লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং হেন্না চুরকপা য়াবনা মরম ওইদুনা ওফিসিয়েলশিং মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈহল্লি। হৌখিবা নুমিৎ নীনিদা নাগালেন্দদা হান্না চুবা নোংগী চাংদগী চাদা ৩৯৩ হেন্না চুখি। হায়রিবা মতম অসিদা মহৌশা চুবা নোংগী চাং অসি ১০.১ মিলিমিটর ওইবা মতমদা তশেংনা নোং চুখিবা চাং অসি মিলিমিটর ৪৯.৮ ওইখি হায়রি।

# এন ই ষ্টেটশিং য়াওনা ভারতকী মফম শীনবা অকনবা নোং চুরবা য়াই

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৭ (এজেন্সি) :

নোংপোকথংবা ভারত্তা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনি অসিদা অকনবা নোং চুগানি হায়বগী থাজবা লৈ। মেটরিওলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী মতুং ইন্না জুলাই ৮ দগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা অসাম, মেঘালয়া, নাগালেন্দ, মণিপুর, মিজোরম অমসুং ত্রিপুরাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অকনবা নোং চুরবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। মসিগীসু মথক্তা জুলাই ১১দগী ১৩ ফাওবদা অরুনাচল প্রদেশতা অকনবা নোং চুরবা য়াই। জুলাই ৮দা মেঘালয়াদা য়াম্না কন্না নোং চুগানি হায়রি।



লৈবাক অসিদা পাক শন্না কুমগী নোং চুবা হৌরে। বিহারদগী বেঙ্গোল ফাওবা অমসুং কাশ্মিরদগী কন্যাকুমারী ফাওবা কুমগী নোং চুবা হৌখ্রে। মীয়াম্না নুংশাগী মৈশাদগী খরমখৈদি শাফখ্রে। অদুম ওইনমক চীংগী লমদম খরদদি উন য়াওবা নোং চুবা হৌখ্রে। মেটরিওলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রিবা মফমশিং অসিদা হায় এলার্ট লাউথোকখ্রে। মফম খরদদি অখাক অরাও য়াওরবা য়াবগী অকিবা লৈ হায়না মীয়াম্না চেকশিন্না লৈনবা লাউথোকখ্রে।

জুলাই ৮দগী ১০ ফাওবগী মনুংদা উত্তর প্রদেশকী নোংচুপথংবা শরুক্তা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুরবা য়াই। অদুগা নোংপোকথংবা শরুক্তনা চোইজাইননা নোং চুরবা য়াই। জুলাই ১১ অমসুং ১২দা ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা অখাক অরাও য়াওবা অকনবা নোং অমদি পাক শন্না নোং চুগানি। জুলাই ৮দা মুজাফরনাগর, শামলি, বাগপাট, শরনপুর, হপুই, গাজিয়াবাদ, মেরুট, হারমোরা, সংবল, বেরেলি, মুরাদবাদতা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

নাকল অমরোমদা, বিহারদা লাক্কদৌরিবা পুং ৪৮ অসিদা পতনা, ঔরঙ্গবাদ, নলান্দা অমসুং গোপালগঞ্জদা অকনবা নোং চুগানি হায়দুনা রেদ এলার্ট লাউথোকখ্রে। হায়রিবা মতম অসিদা অখাক অরাওগা লোয়ননা কিলোমিটর ৩০দগী ৪০ ফাওবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎলকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়রি।

দিল্লিদা অয়ুক্তগী হৌনা কুমগী নোং চুবা হৌখ্রে। মীয়াম্না নুংশাগী মৈশাগী অৱাবদগী খরমখৈ কোকপা ঙমখ্রে। মেটরিওলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী মতুং ইন্না জুলাই ৮দা মখা তানা অকনবা নোং চুগানি। মীয়াম্না চখোক চৎশিন্দা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা খঙহনখ্রে হায়নসু মখা তারি।





**Trainer Certification Program – Rural Masonry & Concrete Work**
**Empanelment Opportunities for Trainers, Subject Matter Experts (SMEs), and Assessors**

The **National Academy of RUDSETI/RSETI (Rural Self Employment Training Institute)** is pleased to announce the **Domain Skill Trainer (DST) Certification Program** in Rural Mason/**Masonry & Concrete Work**, scheduled for the **4th week of July 2025** in the **North Eastern States**. This program is designed to certify professionals as skilled trainers, elevating industry standards in rural construction.

We invite applications from experienced professionals, retired experts, and **Vocational Education & Training (VET) Trainers** in the construction sector to join this exclusive cohort.

**Eligibility for Direct Empanelment:**

- Certified Trainers under the **Construction Skill Development Council of India (CSDCI)**
- Trainers from **ITI/Polytechnic Institutions** (Deemed DSTs)

**Program Highlights:**

- **Comprehensive Training:** Advanced methodologies in skill training and evaluation.
- **Industry-Recognized Certification:** Become a certified **Domain Skill Trainer (DST).**
- **Preferred Candidates:** Experience in **PMAY-G (Rural Masonry) will be prioritized**

**Who Should Apply?**

- **Minimum Qualification:** Class X pass (Diploma/Certificate in Civil Engineering preferred)
- **Vocational/Skill Trainers** in the construction sector
- **5+ years of experience** in Rural Masonry & Concrete Work
- **Subject Matter Experts (SMEs)** and industry professionals
- **Retired Professionals in the sector**

**Key Dates:**

- **Application Deadline: 15th July 2025**
- **Program Dates: 21st–26th July 2025**

**Training & Certification Fee: ₹3,000 per candidate** (Payable upon selection for ToT)

**How to Apply?**

- **Online Application:** https://forms.gle/aVRxhVsrZA42bg2f9
- **Visit Nearest RSETI** for credential verification

**For Queries, Contact: RSETI Director:** +91 9678084419 **Email:** sbirseti.imphalwest@gmail.com

SL/Am/8,9

State Bank of India-Rural Self Employment Training Institute (SBI-RSETI)
*Market Shed Building, Inside Takyelpat Industrial Estates, Imphal West -795004*


## আসামদা ক্লাস নাইনগী মহৈরোই ১ মথন্তা শিজরম্লে

গুৱাহাতি, জুলাই ০৭ (এজেন্সি) : অসামগী তিনসুকিয়া দিষ্ট্রিক্টতা ক্লাস নাইন তল্লিবী নুপীমচা ১ ওজা অমনা হঞ্জন হঞ্জিন সেক্সুয়েল এব্যুজ চত্থবদগী মথন্তা শিজখ্রে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, মহাক্না মথন্তা শিজবগী মরম পীবা লমায় ৪ পানবা চেরোল অমা পুলিসনা ফংলে। চেরোল অসিগী মতুং ইন্না মঙোন্দা সেক্সুয়েল এব্যুজ চত্থখিবা থৌওং অদু ওজা ৩না কুপশিন্দুনা থন্নবা হোৎনৈ হায়না মরাল শীরি। থৌদোক অসিনা মরম ওইরগা অসাম পূন্নমক্তা চাউনা উংখৎনবা লৈরে।

শুপ্নগী চহী ১৪খক্তা ঙায়রিবা ক্লাস নাইন তল্লিবী মহৈরোই অসি মহাক্কী ওজানা মোলেষ্ট তৌখি। পুলিসতা পীশিনখিবা এফ আই আরগী মতুং ইন্না মহাক্কী ওজা ভিকু ক্ষেত্রিনা অহানবা ওইনা মে থাদা মহাকপু ওৎ-নৈখি। মতুংদা জুন থাদা শিজনবা হোৎনরম্বনি।

হৌখিবা মে ২৬তা ক্ষেত্রিনা সোফ্ট ড্রিঙ্কতা স্লিপিং পিন হাপচিল্লগা মহৈরোই অদুদা পীথকখিবনি। মতম অদুদা অতে মহৈরোইশিংদি ময়ুমদা চৎনখ্রবনি। নুপীমচা অদুনা হৌখিবা জুন ৩দা মথন্তা শিজনবা হেৎনখি। অদুবু মহাক হোস্পিটালদা পুখত্নুনা লায়কন্নবদগী কনবা ঙমহৌখিবনি। নুপীমচা অদুগী ইমুং মনুংনা দোলা পুলিস ষ্টেসনদা এফ আই আর অমা ফাইল তৌবদগী পোক্সো এক্টকী মখাদা ওজা অদুবু জুন ১১দা ফাখি।

অদুম ওইনমক নুপীমচা অদু অনীরকশুবা ওইনা জুন ৬তা মথন্তা শিজনবা হোৎনবদগী লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি। নুপীমচা অসিগী মবুংনা ওজা অসিগী মথক্তা অতোপ্পা এফ আই আর অমসু হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফাইল তৌখিবনি। অসামগী সোসিয়েল ওর্গনাইজেসন কয়ানা ওজা অদুবু খুদম চাংদম ওইবা য়াবা দন্দি পীননবা দিমান্দ তৌনরক্লি।

## বিলাৱন ভুতো অশেংবা মুসলমান নত্তে: পি টি আই

ইস্লামাবাদ, জুলাই ০৭ (এজেন্সি) :

টেরোরিষ্ট হাফিস সায়দ ইন্দিয়াদা শীন্নগদবনি হায়বা ৱাফমদা পাকিস্তানগী হান্নগী ফোরেন মিনিষ্টর বিলাৱন ভুটোনা শৌগৎলুবগীদমক পাকিস্তানদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি অমদি লন্নাই সংস্থানগী মীওইশিংনা বিলাৱন ভুটো অশেংবা মুসলমান অমা নত্তে হায়না ফোঙদোরকখ্রে।



বিলাৱন ভুটোগী ৱাফম অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা হাফিস সায়দগী মচানুপা তলহানসু করি করম্বা মথৌনা লৈবনা বিলাৱন ভুটোনা ঐহাক্কী অপোকপা হাফিস সয়দবু ইন্দিয়াদা শীন্নগদনো হায়বা ৱাহংসু হংলকখিবনি। তলহাগী ৱাফম খক্তা নত্তনা লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী পার্টি পি টি আই গী থৌমীশিংনসু বিলাৱন ভুটোগী ৱাফম অদুদা অকনবা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখ্রে।

বিলাৱন ভুটো হায়রিবা নুপা অসি অশেংবা মুসলমান অমা ওইদবগা লোয়ননা ইন্দিয়াদা শৌগৎলক্লিবা অসিনা তাকপদি মহাক্কী মপা মপু ইন্দিয়াগা নক্নবা পান্থা মীওইশিংনি। মহাক লৈবাক অসিগী লুচিংবা অমা ওইবদা য়াম্না মতিক চাদবা মীশক অমনি হায়নসু ফোঙদোকখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি হাফিস সায়দ হায়রিবা টেরোরিষ্ট অসি ইন্দিয়াদা থোকখিবা তোঙান তোঙানবা টেরোরিষ্টকী এটেকশিংদা চাউনা চেন্নবা মীওই অমনি। মুম্বাইদা থোকখিবা বোম ব্লাষ্টতা মীওই কয়া শিখিবা অদুসু মহাক্না শীনখিবা লাল্লোং অমনি। অদুবু শৈদাং ফম ওইরিবা পাকিস্তানদা টেরোরিষ্ট হাফিস সায়দ হায়রিবা মীওই অসি চহী ৩৫গী চৈরাক ফংবদগী জেলদা লৈরিবা মীশক অমনি।

হন্দক ইন্দিয়ানা ওপরেসন সিন্দুর চত্থদুনা পাকিস্তানগী টেরোরিষ্ট কয়া হাৎখিবা অদুদা হাফিস সায়দকী মচানুপা তলহা হায়রিবা মীওই অসিসু নুংঙাইতবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা লৈরিবা মীশক্লি।


### Office of The Imphal Municipal Corporation
### /নোটিশ

তাং 7-7-25 ইং

No. 4/19/2022/IMC/Rev/Notice- অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Women Vendor No. Session Court, Shed No. 1, Seat No. 13, Licence No. 153 শ্রীমতি Moirangthem Memcha Devi W/o M. Manimohan Singh of Khurai Angom Leikai গী মিংদা পানবা Women Vendor/Licence Holder অসি Vendor মশানা শ্রীমতি Moirangthem Umabati Devi W/o M. Umachand Singh of Khurai Angom Leikai দা Vendor/Licence Holder গী মিং ওনবিরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা Licence Holder/Women Vendor গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা Objection তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মনুংদা অইবা চেনা Objection তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই অমদি Lessee গী মিং ওনখ্রগনি।

**Sd/-**
Deputy Municipal Commissioner
Imphal Municipal Corporation

SL/3592/8

### Office of The Imphal Municipal Corporation
### /নোটিশ

তাং 7-7-25 ইং

No. 4/19/2022/IMC/Rev/Notice- অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Women Vendor No. (1) Purana Bazar, Shed No. 22, Seat No. 24, Licence No. 516 শ্রীমতি Laishram (O) Maichon Devi W/o L. Babu Singh, Kwakeithel Konjeng Leikai, I/W গী মিংদা পানবা Women Vendor/Licence Holder অসি Vendor মশানা শ্রীমতি Leiphrakpam Anjali Devi D/o L. Amitragopal Singh, Langthabal Phuramakhong, Imphal West দা Vendor/Licence Holder গী মিং ওনবিরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা Licence Holder/Women Vendor গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা Objection তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মনুংদা অইবা চেনা Objection তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই অমদি Lessee গী মিং ওনখ্রগনি।

**Sd/-**
Deputy Municipal Commissioner
Imphal Municipal Corporation

SL/3592/8

### Office of The Imphal Municipal Corporation
### /নোটিশ

তাং 7-7-25 ইং

No. 4/19/2022/IMC/Rev/Notice- অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Women Vendor No. Naga Nullah, Shed No. 3, Seat No. 55, Licence No. 46 শ্রীমতি Ningthoujam Tombi Devi W/o L. Manitomba Singh of Lilong Chajing গী মিংদা পানবা Women Vendor/Licence Holder অসি মশা লৈখিদ্রে। মরম অদুনা লৈখিদ্রবা Licence Holder/Women Vendor গী মচা মশুশিংনা, শ্রীমতি Laitonjam Ibecha Devi W/o Laitonjam Amuba Singh of Lilong Chajing Chingkhong Leikai দা Vendor/Licence Holder গী মিং ওনবিরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা Licence Holder/Women Vendor গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা Objection তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মনুংদা অইবা চেনা Objection তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই অমদি Lessee গী মিং ওনখ্রগনি।

**Sd/-**
Deputy Municipal Commissioner
Imphal Municipal Corporation

SL/3592/8

### Office of The Imphal Municipal Corporation
### /নোটিশ

তাং 7-7-25 ইং

No. 4/19/2022/IMC/Rev/Notice- অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Women Vendor No. Session Court, Shed No. 1, Seat No. 14, Licence No. 154 শ্রীমতি Moirangthem Sumati Devi W/o M. Brajamohon Singh of Khurai Angom Leikai গী মিংদা পানবা Women Vendor/Licence Holder অসি Vendor মশানা শ্রীমতি Mangshatabam Ashalata Devi W/o Laishram Khuchshov Meitei of Top Awang Leikai দা Vendor/Licence Holder গী মিং ওনবিরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা Licence Holder/Women Vendor গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা Objection তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মনুংদা অইবা চেনা Objection তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই অমদি Lessee গী মিং ওনখ্রগনি।

**Sd/-**
Deputy Municipal Commissioner
Imphal Municipal Corporation

SL/3592/8